ব্রোইলর য়েনশিং মশা-মউ ফনা থম্বীবা

ডা: সরাংথেম জেসমারানি

ব্রোইলরদা থোকহল্লিবা লায়না খুদিংমক ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদবা অপীকপা ওর্গানিজমশিংনা থোকহল্লি। লায়না থোকহল্লিবা মহীকশিং অসি মফম অমদগী অমদা হায়বদি ব্রোইলর য়েন হেক ওনবদগী য়োন্নবা থৌরাং তৌবা মতমদু ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম খুদিংমক্তা খুদম ওইনা হায়রবদা য়েরুম কোনহন্নবা হাপ্পা ট্রে, ইক্বিপমেন্টশিং, পুথোক পুশিন তৌনবা শীজিন্নরিবা গাড়ী, শেন্নরিবা মীদুগী মফি মরোল, খূৎশা, খোঙউপ অসিনচিংবা কয়া অসিদগী লায়না কয়া শন্দোকই। মসিদসু নত্তনা লায়না শন্দোরকপদা হূই, হৌদোং, উচী অমদি অতোপ্পা তীল কাঙ কয়া অমনসু লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। হায়রিবা ময়াম অসিনা লায়না থোকহন্দুনা শিবগী চাং হেনগৎহল্লগসু শিহৌদবা খরদুদি অমুক হান্নগী মশা-মউ ফনা লৈবা ঙমদবনা, অরুম্বগী চাং অদুক্কী মতীক হন্থহল্লি। ব্রোইলর য়োকপসি অতেনবা মতম ওইবনা অনাবা কয়া মায়োক্নবা মতুংদসু শাহৌ ফনা লৈবা ঙমদে। মসিনা লোয়রিবা মীদুদা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। ব্রোইলর লোয়বা মতমদা লায়না কয়া মায়োক্নদনবা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎপীনবা মখাদা থমজরি:-

১) ব্রোইলর য়োকপীরিবা খ্বাই খীবিক্লা লায়না তীলনা লাকহনবগী চাংশি অদুক্কী মতীক হন্থনা থম্বীগনি। য়েন থল্লিবা মকোন্দু নীংথিনা নুংশিৎ নুংশা চংবা মফম ওইগদবনি, ব্রোইলরদা পীজ বিগদবা মচীঞ্জাক খুদিংমক অফবা কোকফাই কাদবা ওইগনি, য়েনশিং কুংশিন্না থম্বীরোইদবনি। মকোন মনুংদা হাপ্লিবা ৱাই নৎত্রগা উ মকুপশিংদু চোৎ চোৎ লাওনা থম্বীরোইদবনি অমদি অফবা ঈশিং পীথকপীগনি।

২) ব্রোইলর য়োকপা মতমদা খরা অমা অমুক্তা পুল্লপ লোয়রগা য়োস্থোক্লবা মতুং অমুক অনৌবা মচা পুরক্তুনা লোয়বা অদুগা খরা অমনা লেপ্তুনা শেল লাক্লবনি হায়দুনা মচেৎ মচেৎ হাপ্তা খুদিংগী লোয়বসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা মচেৎ মচেৎ লোয়বীগে হায়রগদি মকোন অমগা অমগগী অরাপ্পসি মিটর ১০.৫ (ফিট ৩৫) ওইগনি।

৩) য়েনগোনগী থোঙজিল মপান্দা খোঙ-খূৎ লূপ্পা দিসইনফেক্টেন্ট খুদম ওইনা হায়বদা ফিনাইল, পোটাস অসিনচিংবসি ঈশিংদা য়ানশিল্লগা থম্বীগনি অমদি মকোন চংলমদাইদা হায়রিবা মহী অসিদা খোঙ লূপ্পগা চঙবীগনি। নুমিৎ খুদিংগী মহী অসি শিন্দোকপীগনি অমদি লূপ্পগা চঙবীগনি।

৪) লায়না শন্দোরকপদা খ্বাইদগী অচৌবা মতেং পাংলিবসি শেন্নরিবা মীওইবশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংনা মকোন্দা চঙলকপদুবুনি। মরম অসিনা মকোন মনুংদা শক খঙদবা মী অমত্তা চঙহন্দবা ফৈ। করিগুম্বা চঙবা তারবসু অনৌবা খোঙউপ পীদুনা চঙহনবীগনি অমদি করিগুম্বা ব্রোইলর মচা মৈ থান্দুনা থম্বা মতাং ওইরবদি মফমদুদা য়ারিমখৈ মীতোপ চঙহনবিরোইদবনি।

৫) ব্রোইলরদা থোকহল্লিবা লায়না কয়া অমা অতোপ্পা সোর্সতগী থোকহনবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা উচী, উতীন, তীল কাঙশিং, উচেক-ৱায়াশিং অসিনচিংবনি। হায়রিবা ময়াম অসিদগী নীংথিনা ঙাকথোকপা মথৌ তাই।

৬) ব্রোইলর থল্লিবা মকোন মনাক্তা অতোপ্পা মখলগী উচেকশিং হায়বদি ঙানু, কাংঙা, খুনু অসিনচিংবগী মকোন অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

৭) মথক্তা পল্লিবা উচেকশিংগী মথক্তা হূই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি হামেঙ অসিনচিংবগী মকোনসু ব্রোইলরগী মকোন মনাক নক্লা থম্বীরোইদবনি।

৮) ব্রোইলর য়াম্না লোয়বা ফার্ম অচৌবশিংদদি য়েন অমদি মচীঞ্জাক পুথোক-পুশিন তৌরিবা গাড়ীশিং ফাওবা মকোনগী মনাক্তা নক্লা চঙহন্দবা ফৈ। লাপ্লা থম্বনা ফৈ।

৯) অরিবা য়েন য়োস্থোক্লবা মতুংদা অনৌবা য়েন্নাউ থমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মকোনশিংদু নীংথিনা শেংদোকপীহৌগদবনি। অনৌবা য়েন্নাউ থমদ্রিঙৈদা য়ামদ্রবদা হপ্তা অমরোমদি হাঙনা থম্বীরগা শিৎ শেংদোকপীরগা থম্বীগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা হান্না শীজিন্নরম্বা পোৎ চৈ অমসুং পাত্রশিং নীংথিনা চামথোক শেংদোক তৌবিরগা নুংশাদা নীংথিনা ফৌদোক্লগা মথং শীজিন্নবা থম্বীগনি।

১০) করিগুম্বা য়েন অশিবা য়াওরবদি য়েন অশিবদু হুন্দোকপগী মহুত্তা কোম তৌরগা ফুম্বীবা নৎত্রগা মৈ থাদোকপনা খ্বাইদগী ফৈ। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি।

১১) ব্রোইলর ফার্ম অচৌবদা করিগুম্বা য়েন শেন্নবা মী য়াম্না লৈবা ওইরগদি শেন্নবা মতমদা মচা শেন্নবগীনা তোঙান্না অমা; পুংকক চাউরকপগীনা অমা অদুগা অচৌবশিংগীনা অমা থম্বীগনি। করিগুম্বদা মী অমখক্তা লৈবা ওইরগদি য়েন শেন্নবা মতমদা মচাদগী হান্না সেবা তৌবা হৌরগা অচৌবদা লোইশিনবীগনি।

১২) য়েনগোন শেংদোক্লবা মতুংদা শেংদোক্লবা অমোৎ-অকায় খুদিংমক মকোন মনাক্তা কৈদৌনুংদা পৈদুনা থম্বীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাহনবতা নত্তনা লায়না কয়া শন্দোরক্লবগী মরম অমসু ওইহল্লি। মসিনা মকোনগী অমোৎপা খুদিংমক মকোন্দগী লাপ্লা কোম তৌরগা ফুম্বীবা নৎত্রগা কম্পোজ হার ওইনা শীজিন্নবগনি।

১৩) করিগুম্বা মতমদা য়েন লোয়বা খরদি ঈশিং লুমথোক্লগা পীথকপা থেঙনজৈ। মসি অফবা অমনি অদুবু য়েন মশীং য়াল্লকপদদি ঈশিং লুম্বদা মৈ চঙলকপনিনা মসিদা তোঙানবা খরচ অমা য়াওশিল্লকই। মসিগী মহুৎতা ঈশিং লিটর ১০০০দা ব্লীচিং পাউদর গ্রাম ৮ হাপ্পীদুনা অফবা ঈশিং শেম্বীবা য়াই।

১৪) মকোনগী অকোয়বদা নাপীশিং অমত্তা হৌহনবিরোইদবনি অমদি অচৌবা উ-ৱাসু থাবিরোইদবনি। মকোনগী অকোয়বদা ঈশিং তুংদুনা লৈগদবা কোমকুৎ অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা লায়না তীলনা কয়াগী মচা কোকফম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহন্নবা অচৌবা মচাক অমসু ওই। নুংশিৎ নুংশা শেংনা থম্নবা অকোয়বগী ফীভমসু লূনা নান্না থম্বীগদবনি।

লূ-নান্না য়েন ব্রোইলর লোয়রগদি শিবগী চাং অদুক্কী মতীক নেম্মী। মসিদসু নত্তনা শেন্দোং লৈনা অমদি তুং কোইনা লোয়দুনা ইশা-ইশাগী থবক পীজদুনা খুন্নাইসিদগী চাওখৎ লম্বীদা অচৌবা ঙাক্লৌ অমা ওইগনি। ●

শেন্থোক লম্বী অমা ওইনবগীদমক শজিক থাবা-৩

ডা. ৱাইখোম জিতেন

নোংমা কান্দনা হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসিগী মথৌ তাবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎলকপদগী মাঙশিল্লক্লিবা শঞ্জাবুং, চীংয়া তময়াগী নাপী হৌবা লম্মাংশিং, শজিক মরাং কায়না হৌবা পাৎথী-কোমথীশিং অসিনা মরম ওইরগা শা-ষণ অমসুং ঙা য়োক্লিবা মীওই কয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। অসিগুম্বা খুদোং চাদবশিং অসিনা মরম ওইদুনা শজিক মথৌ তাবা মীওইশিংগী মথৌ তাবা অদু ফংহন্নবা শেন্থোক লম্বী অমা ওইনা লমদম অসিদসু শজিক থাদুনা শজিক পুথোকপা য়ারে।

হাঙদুনা লৈগদবা লৌফমশিংদা চান্নবা শজিক মখলশিং থাদুনা শেন্থোক লম্বী অমা ওইনবা হোৎনবগা ইরোয়ননা ঐখোয়না থাগদৌরিবা পাম্বীশিং অদুনা লৌফম অদুদা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবা পাম্বী মখলশিং থাবীদুনা পোথোক পুথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা মওংদা চঙশিনবা মতম য়ৌরক্লে। অসুম্না থাগদৌরিবা পাম্বী মখল খরগী মরমদা মখাদা নৈনজরি।

১) হৱাই অশাংবীগী মখলশিং :- শজিক ওইনা শীজিন্নবা হৱাই কাঙলূপকী পাম্বীশিং মনুংদা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওবগা লোয়ননা শাহৌ ফনা হৌবা অমদি পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বদা হৱাই অশাংবী কাঙলূপকী পাম্বীশিং শীংথাবা য়াই। পাম্বী মখল অসি নিংথমথাগী য়াম্না ঈংবা মতম খক নত্তনা অয়াম্বা মতমদা থাবা য়াই। ঈশিং য়াম্না ৱাবা মফমশিংগীদমক্তি পাম্বী মখল অসি নোংজু পাম্থাদা মপূং ওইনা থাই। পাম্বী মখল অসি প্রোটিন মরাং কায়না য়াওবগী মথক্তা ফেট, কার্বোহাইদ্রেট, কেলসিয়ম অমদি আইরননচিংবসু মরাং কায়না য়াওই।

থাবা য়ারবা পাম্বী মখল :- Bundel Lobia-1, Bundel Lobia-2 অমসুং UPC-4200 থাবগী কাঙলোন : পাম্বী অসি থাগদবা নুমিৎ ১০নিমুক্কী মমাঙদা লৌফমদা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার ত্রেক্টর ত্রেলর মপোৎ ৩-৪ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইখাইদুনা খোইজিনবীগনি। অসুম্না শেল্লবা লৌফম অসিদা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৌ পরিগী লৌফমদা য়ুরিয়া কেজি ৩৩ অমদি সলফেট সুপরফোসফেট কেজি ৩৭৫ চাইবীরগা খোইজিনবীগনি। লমদম অসিদা মার্চ-এপ্রিল নৎত্রগা মে-জুনগী মতমদা পাম্বী মখল অসি থাবা য়াই। থাগদৌরিবা পাম্বীশিং অদু সেন্টিমিটর ৩০-৪৫ লাপ্পনা থাবা মতমদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা হৱাই কেজি ৩০-৪০ শীজিন্নগনি। থারবা মতুং ময়োল চোঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঈশিং চনবীগনি। ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈরবদি নোংজু মমাঙগী পাম্বীশিংদা নুমিৎ ২০-২৫ অদুগা নোংজু মতমগী পাম্বী ওইরগনা নুমিৎ ৩০নি কান্নরগা ঈশিং চনবীবা য়াই।

লোকপা অমদি পোথোক :- নোংজু মমাঙ (মার্চ-এপ্রিল) দা থাবা পাম্বীশিংগী ওইনা নুমিৎ ৭০-৭৫ শুবা অদুগা নোংজু মতম (মে-জুন) দা থাবা পাম্বীশিংগী ওইনা নুমিৎ ৫০-৬০নি শুরকপদা থারিবা পাম্বীশিংগী তঙ্খায় অমুক্না মপাল শাবা মতমদা শজিক ওইনা শীজিন্ননবগীদমক লেকপা (খাওবা) য়ারে। অসিগুম্বা মতমদা লোকপা (খাওবা) মতমদা অশংবা শজিক কেজি ৩৫০০০-৪৫০০০ ফংবা ঙম্মী।

২) চাকহৱাই :- হৱাই মখল অসি শজিক ওইনা/অশংবা মরূ খোত্তুনা/অকঙবা মরূ ওইনা চানবা/গ্রীন মেন্যুরিং হায়বদি লৌফমদা পাম্বীশিংদু খোইজিন্দুনা লৈহাও শেম্বদা শীজিন্নবা পাম্বী মখল অমনি। পাম্বী মখল অসি শজিক ওইনবগীদমক নৌনা কন্না শীজিন্নবা হৌরক্লি। লমদম অসিদা অমদি মান্নবা মফমশিংদা শজিক ওইনবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা পাম্বী মখল অসিগী মখল (Variety) খরা পঞ্জরবদা Bidhan-1, Bidhan-2, RBL-6 অমসুং RBL-36 পনবা য়াই।

থাবগী কাঙলোনশিং :- পাম্বী মখল অসি থাবদা ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈরবদি লমতা থা (মার্চ) দগী হৌরগা ইঙা/ইঙেন থা ফাওবগী মনুংদা খুদোংচাবা য়েংলগা থাবীবা য়াই। অদুগা করিগুম্বা কুমগী নোংদা তাংদুনা থাবীগদবা ওইরবদি ইঙা/ইঙেনদগী থৱান থাগী (জুন-ওগষ্ট) অঙনবা শরুক ফাওবগী মনুংদা হুনবীগনি। পাম্বী মখল অসি থানবগীদমক ষষ্থি-ষণয়ুংগী হার ত্রেক্টরগী ত্রেলর মপোৎ ৩-৪ ফাওবা লৌ পরিং অমগী লৌফমদা থাগদবা নুমিৎ ১৫দগী তাদনা ঙনখৎনা চাইখাইদুনা খোইজিনবীগনি। অদুগা থাগদৌরিবা মফম অদুগী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা য়ুরিয়া কেজি ৪৩-৪৪, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ২৫০ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৫০ গুম্বা চাইখাইবীদুনা খোইজিনবীগনি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা পরেং নাইনা পরেংগা-পরেংগা ইঞ্চি ৮-১০ অদুগা পাম্বীগা পাম্বীগা ইঞ্চি ১মখায়-২ লাপ্পনা থাবীবা মতমদা মরূ কেজি ২০-২৫ না কোন্নগনি। অদুগা করিগুম্বা হায়রিবা লৌফম অদু শিন্থুংনা চাইখাইদুনা ওমশিন্নবগীদমক মরূ কেজি ৩৪ মুক চঙগনি। অসুম্না থারবা পাম্বী অদু হৌনবগীদমক ঈশিং অমুক চনবীরবা মতুং নোংনা মতম শাংনা তাদ্রবদি থা অদুগী মনুংদা ঈশিং অমুক্তং চনবিবা ফৈ।

লোকপা অমসুং পোথোক : পাম্বী অসি থাবদগী নুমিৎ ৯০নিমুক শুবা মপাল শাবা হৌবা মতমদা শজিক ওইনবগীদমক ককপা য়াই। পাম্বী মখল অসিনা লৌ পরি অমগী লৌফমদগী শজিক কেজি ২৫০০০-৩৫০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী।

৩) Lucerne/Alfalfa :- পাম্বী মখল অসিবু শজিক্কী লৈমরেনবী হায়রগসু খঙনবা অমুক থাখিবনা চহী ৩-৪ পোথোক পুথোকপা ঙম্বা পাম্বীনি। পাম্বী মখল অসি নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙমদুনা লৌফমদা নাইট্রোজেন হেনগৎহনবা ঙম্বা পাম্বী মখল অমনি। মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা থাবা য়াবা পাম্বী অসিগী মখলশিং (Variety) খরদং পনবা তারবদা Anand-2, Anand-3, Arit, SS-627, Co-1, T-9, LLC-3 নি।

থাবগী কাঙলোন :- পাম্বী মখল অসি থাদ্রিঙৈ থামুক্কী মমাঙদা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার ত্রেক্টরগী ত্রেলর মপোৎ ১০-১২ গুম্বা লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইখাইরগা খোইজিনবীগনি। মদুগী মতুং তারকপদা থানবগীদমক অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুরিয়া কেজি ৪৩-৪৪ সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৩৭৫ চাইবীদুনা অরোইবা লৌওন খোইজিনবীগনি অমদি রাইজোবিয়ম তোৎলবা মরূশিং অদু ফুট ১-১মখায় লাপ্পনা থাবীগনি। অসুম্না থাবা মতমদা লৌ পরি অমদা মরূ কেজি ১২-১৫না কোন্নবা ঙম্মী। মরূশিং অদু থাবিবদা লৈমায়দগী ইঞ্চি অমগী ময়াদা লুনা ফুমবীগনি। পাম্বী মখল অসি থাবগী খ্বাইদগী ফবা মতম অসি হিয়াঙ্গৈ, পোইনু (ওক্টোবর-নবেম্বর) মতমনি। চহী ওল্লবা পাম্বীশিংদা চহী খুদিংগী সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৩৭৫ অমসুং ম্যুরেট ওফ পোটাস কেজি ৫০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা মখোঙ শোম্বদা হাপ্পীগনি। ঈশিং চন্নবগীদমক লৌফম অদুগী লৈবাক্কী ঈনিলগী মতুংইন্না চহী অমদা মঙারক্কুম্বা ঈশিং চনবীগনি।

লোকপা অমসুং পোথোক :- পাম্বী মখল অসি থাবদগী নুমিৎ ৪৫-৬০নি শুবদা মপাল শাবা হৌরকই। হায়রিবা মতম অসিদা শজিক ওইনা শীজিন্ননবগীদমক অহানবা ককপা হৌবা য়ারে। মখা তারকপা খুককশিং অদু নুমিৎ ২৫-৩৫নি কান্ন-কান্ননা ককপনা চহী অমদা খুক্কক ১০-১২ কত্তুনা শজিক কেজি ৮০,০০০-১,০০,০০০ পুথোকপা ঙম্মী।

৪) Berseem :- শজিকশিংগী নিংথৌ হায়রগসু খঙনবা পাম্বী মখল অসি নীংথমথাগী মতমদা থাবা, থাগদৌরিবা লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবদসু মতেং পাংবা অদুগা শঙ্গোমগী পোথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা পাম্বী মখলনি। লমদম অসিগা চান্নবা পাম্বী মখল অসিগী ভেরাইটি খরা পনবা তারবদা BL-1, BL-22, Pusagaint, T-724, JHB 46, UJB3, JB4, JB1 অমসুং VPBI নি।

থাবগী কাঙলোন :- থাগদবা মফম অদুগী লম শেম্বা হৌরকপদা ষষ্থি-ষণয়ুংগী হার ত্রেক্টরগী ত্রেলর মপোৎ ৬-৮ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইখাইবীরগা খোইজিনবীগনি। মখা তারকপদা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা য়ুরিয়া কেজি ৪৩-৪৪ অমদি সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৩৭৫ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবীগনি। পোথোক মরাং কাইনবগীদমক খুকক খুদিংগী য়ুরিয়া কেজি ১১-২২ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবীরগা ঈশিং চনবীগনি। পাম্বী মখল অসিগীদমক নুমিৎ ১৫-২০ কান্নরগা ঈশিং চনবীবনা পোথোক হেন্না পুথোকপদা মতেং পাংই। তঙাইফদনা শজিক হেক ককখিবগা য়ুরিয়া খরা খিল্লগা ঈশিং শোয়দনা চনবীগদবনি।

লোকপা অমসুং পোথোক :- পাম্বী মখল অসি থাখিবদগী নুমিৎ ৫৫-৬০নি শুবদা অহানবা খুকক ককপীরবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫নি কান্ন-কান্ননা ককপীদুনা ৫-৬ লক ককপীবদা শজিক কেজি ৬৫০০-৯০০০ ফংবা ঙম্মী।

৫) কাশারি :- ফৌগী হেক মতুংদা থাবা য়াবা শজিক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কাশারিসু অমনি। কাশারি অসি ফৌ লোক্কদবা নুমিৎ ১৫নিমুক ৱাৎলিঙৈদা ফৌ হৌবা লৌফমদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা মরূ কেজি ৬২-৬৩ চাইবীদুনা থাবা য়াই। অসিগুম্বা মতমদা মরূ হুন্দ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুরিয়া ৪৩-৪৪, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ২৫০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবীহৌবা কাউবা য়াদে। অসুম্না থাবা পাম্বীশিংগীদমক অহেনবা ঈশিং চনবগী থোইদোকপা মথৌ তাদে। করিগুম্বা পরেং নাইনা ফর্টিলাইজর কম সীদ দ্রিল্লর সুপর সীদর শীজিন্নদুনা থাবীগদবা ওইরবদি মথক্তা পঞ্জখিবা হারগী চাং অসিগা মরূ কেজি ৫০না লৌ পরি অমগীদমক কোন্নরে।

লোকপা অমসুং পোথোক :- পাম্বী অসি থাখিবদগী নুমিৎ ৬০-৭০নিমুক শুবা মপাল লাকপা হৌরকপদা শজিক ওইনবগীদমক ককপা মতমদা অশংবা শজিক কেজি ২০০০০-২৫০০০ ফাওবা ফংবা ঙম্মী।

হাঙদুনা লৈগদবা লৌফমশিংদগী অহেনবা শেন্থোক লাক্লবা অমদি লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহন্নবগীদমক চান্নবা পাম্বীশিং খনবীদুনা শজিক পুথোক্লবা হোৎনবা অসিসু মতম অসিদা পায়খৎপা য়ারে। ●

ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯦꯅꯁꯤꯡ ꯃꯁꯥ-ꯃꯎ ꯐꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯕꯥ

ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔꯗꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯎꯕꯥ ꯐꯪꯗꯕꯥ ꯑꯄꯤꯀꯄꯥ ꯑꯣꯔꯒꯥꯅꯤꯖꯃꯁꯤꯡꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯍꯤꯀꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗꯒꯤ ꯑꯃꯗꯥ ꯍꯥꯏꯕꯗꯤ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯦꯟ ꯍꯦꯛ ꯑꯣꯟꯕꯗꯒꯤ ꯌꯣꯟꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯨ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇꯥ ꯈꯨꯗꯝ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯕꯗꯥ ꯌꯦꯔꯨꯝ ꯀꯣꯟꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯥꯞꯄꯥ ꯇ꯭ꯔꯦ, ꯏꯛꯕꯤꯞꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯡ, ꯄꯨꯊꯣꯛ ꯄꯨꯁꯤꯟ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯒꯥꯔꯤ, ꯁꯦꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯐꯤ ꯃꯔꯣꯜ, ꯈꯨꯠꯁꯥ, ꯈꯣꯡꯎꯞ ꯑꯁꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯥ ꯀꯌꯥ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯁꯟꯗꯣꯀꯏ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯀꯄꯗꯥ ꯍꯨꯏ, ꯍꯧꯗꯣꯡ, ꯎꯆꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯇꯤꯜ ꯀꯥꯡ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯟꯁꯨ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯀꯄꯒꯤ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯂꯧꯔꯤ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯥꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯍꯦꯅꯒꯠꯍꯜꯂꯒꯁꯨ ꯁꯤꯍꯧꯗꯕꯥ ꯈꯔꯗꯨꯗꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯒꯤ ꯃꯁꯥ-ꯃꯎ ꯐꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯉꯃꯗꯕꯅꯥ, ꯑꯔꯨꯝꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯑꯗꯨꯛꯀꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯍꯟꯊꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯣꯛꯄꯁꯤ ꯑꯇꯦꯟꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯑꯅꯥꯕꯥ ꯀꯌꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯁꯨ ꯁꯥꯍꯧ ꯐꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯉꯃꯗꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯗꯨꯗꯥ ꯑꯃꯥꯡꯕꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯗꯅꯕꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯀꯌꯥ ꯄꯥꯏꯈꯠꯄꯤꯅꯕꯥ ꯃꯈꯥꯗꯥ ꯊꯃꯖꯔꯤ:-

꯱) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯣꯛꯄꯤꯔꯤꯕꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏ ꯈꯤꯕꯤꯛꯂꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯇꯤꯜꯅꯥ ꯂꯥꯛꯍꯟꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡꯁꯤ ꯑꯗꯨꯛꯀꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯍꯟꯊꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯌꯦꯟ ꯊꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯀꯣꯟꯗꯨ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯆꯡꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯅꯤ, ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔꯗꯥ ꯄꯤꯖ ꯕꯤꯒꯗꯕꯥ ꯃꯆꯤꯟꯖꯥꯛ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯑꯐꯕꯥ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ ꯀꯥꯗꯕꯥ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ, ꯌꯦꯅꯁꯤꯡ ꯀꯨꯡꯁꯤꯟꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯀꯣꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯍꯥꯞꯂꯤꯕꯥ ꯋꯥꯏ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯎ ꯃꯀꯨꯞꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯣꯠ ꯆꯣꯠ ꯂꯥꯎꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯐꯕꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯄꯤꯊꯛꯄꯤꯒꯅꯤ꯫

꯲) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯣꯛꯄꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯈꯔꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯂꯣꯏꯔꯒꯥ ꯌꯣꯁ꯭ꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯃꯆꯥ ꯄꯨꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯈꯔꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯁꯦꯜ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯆꯦꯠ ꯃꯆꯦꯠ ꯍꯥꯞꯇꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯣꯏꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯆꯦꯠ ꯃꯆꯦꯠ ꯂꯣꯏꯕꯤꯒꯦ ꯍꯥꯏꯔꯒꯗꯤ ꯃꯀꯣꯟ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯒꯤ ꯑꯔꯥꯞꯄꯁꯤ ꯃꯤꯇꯔ ꯱꯰.꯵ (ꯐꯤꯠ ꯳꯵) ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ꯫

꯳) ꯌꯦꯅꯒꯣꯟꯒꯤ ꯊꯣꯡꯖꯤꯜ ꯃꯄꯥꯟꯗꯥ ꯈꯣꯡ-ꯈꯨꯠ ꯂꯨꯞꯄꯥ ꯗꯤꯁꯏꯅꯐꯦꯛꯇꯦꯟꯠ ꯈꯨꯗꯝ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏꯕꯗꯥ ꯐꯤꯅꯥꯏꯜ, ꯄꯣꯇꯥꯁ ꯑꯁꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯤ ꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯌꯥꯟꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯀꯣꯟ ꯆꯡꯂꯃꯗꯥꯏꯗꯥ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯍꯤ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯈꯣꯡ ꯂꯨꯞꯄꯒꯥ ꯆꯉꯕꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯃꯍꯤ ꯑꯁꯤ ꯁꯤꯟꯗꯣꯛꯄꯤꯒꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯨꯞꯄꯒꯥ ꯆꯉꯕꯤꯒꯅꯤ꯫

꯴) ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯀꯄꯗꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯂꯤꯕꯁꯤ ꯁꯦꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯁꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯀꯣꯟꯗꯥ ꯆꯉꯂꯀꯄꯗꯨꯕꯨꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯃꯀꯣꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯁꯛ ꯈꯉꯗꯕꯥ ꯃꯤ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯆꯉꯍꯟꯗꯕꯥ ꯐꯩ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯆꯉꯕꯥ ꯇꯥꯔꯕꯁꯨ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯈꯣꯡꯎꯞ ꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯆꯉꯍꯟꯕꯤꯒꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯃꯆꯥ ꯃꯩ ꯊꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗꯥ ꯌꯥꯔꯤꯝꯈꯩ ꯃꯤꯇꯣꯞ ꯆꯉꯍꯟꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫

꯵) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔꯗꯥ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯁꯣꯔꯁꯇꯒꯤ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯈꯨꯗꯝ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯕꯗꯥ ꯎꯆꯤ, ꯎꯇꯤꯟ, ꯇꯤꯜ ꯀꯥꯡꯁꯤꯡ, ꯎꯆꯦꯛ-ꯋꯥꯌꯥꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯥꯝ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯉꯥꯛꯊꯣꯛꯄꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ꯫

꯶) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯊꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯀꯣꯟ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯎꯆꯦꯀꯁꯤꯡ ꯍꯥꯏꯕꯗꯤ ꯉꯥꯅꯨ, ꯀꯥꯡꯉꯥ, ꯈꯨꯅꯨ ꯑꯁꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯒꯤ ꯃꯀꯣꯟ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯀꯄꯒꯤ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ꯫

꯷) ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯄꯜꯂꯤꯕꯥ ꯎꯆꯦꯀꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯍꯨꯏ, ꯍꯧꯗꯣꯡ, ꯁꯟ, ꯏꯔꯣꯏ ꯑꯃꯗꯤ ꯍꯥꯃꯦꯡ ꯑꯁꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯒꯤ ꯃꯀꯣꯅꯁꯨ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔꯒꯤ ꯃꯀꯣꯟ ꯃꯅꯥꯛ ꯅꯛꯂꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫

꯸) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯐꯥꯔꯝ ꯑꯆꯧꯕꯁꯤꯡꯗꯗꯤ ꯌꯦꯟ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯆꯤꯟꯖꯥꯛ ꯄꯨꯊꯣꯛ-ꯄꯨꯁꯤꯟ ꯇꯧꯔꯤꯕꯥ ꯒꯥꯔꯤꯁꯤꯡ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯃꯀꯣꯅꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯅꯛꯂꯥ ꯆꯉꯍꯟꯗꯕꯥ ꯐꯩ꯫ ꯂꯥꯞꯂꯥ ꯊꯝꯕꯅꯥ ꯐꯩ꯫

꯹) ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯌꯦꯟ ꯌꯣꯁ꯭ꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯌꯦꯟꯅꯥꯎ ꯊꯃꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯒꯤ ꯃꯥꯡꯑꯣꯏꯅꯅꯥ ꯃꯀꯣꯅꯁꯤꯡꯗꯨ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯄꯤꯍꯧꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯌꯦꯟꯅꯥꯎ ꯊꯃꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯌꯥꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯥ ꯍꯞꯇꯥ ꯑꯃꯔꯣꯃꯗꯤ ꯍꯥꯡꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯒꯥ ꯁꯤꯠ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯄꯤꯔꯒꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯍꯟꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯝꯕꯥ ꯄꯣꯠ ꯆꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯥꯠꯔꯁꯤꯡ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯆꯥꯃꯊꯣꯛ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛ ꯇꯧꯕꯤꯔꯒꯥ ꯅꯨꯡꯁꯥꯗꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅꯥ ꯐꯧꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯃꯊꯪ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯅꯤ꯫

꯱꯰) ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯌꯦꯟ ꯑꯁꯤꯕꯥ ꯌꯥꯎꯔꯕꯗꯤ ꯌꯦꯟ ꯑꯁꯤꯕꯗꯨ ꯍꯨꯟꯗꯣꯛꯄꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯀꯣꯝ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯐꯨꯝꯕꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯩ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄꯅꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯐꯩ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯀꯄꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯍꯟꯊꯍꯜꯂꯤ꯫

꯱꯱) ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯐꯥꯔꯝ ꯑꯆꯧꯕꯗꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯌꯦꯟ ꯁꯦꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯁꯦꯟꯅꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯃꯆꯥ ꯁꯦꯟꯅꯕꯒꯤꯅꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟꯅꯥ ꯑꯃꯥ; ꯄꯨꯡꯀꯛ ꯆꯥꯎꯔꯀꯄꯒꯤꯅꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯑꯆꯧꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯥ ꯑꯃꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗꯥ ꯃꯤ ꯑꯃꯈꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯌꯦꯟ ꯁꯦꯟꯅꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯃꯆꯥꯗꯒꯤ ꯍꯟꯅꯥ ꯁꯦꯕꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯍꯧꯔꯒꯥ ꯑꯆꯧꯕꯗꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕꯤꯒꯅꯤ꯫

꯱꯲) ꯌꯦꯅꯒꯣꯟ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯂꯕꯥ ꯑꯃꯣꯠ-ꯑꯀꯥꯏ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯃꯀꯣꯟ ꯃꯅꯥꯛꯇꯥ ꯀꯩꯗꯧꯅꯨꯡꯗꯥ ꯄꯩꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯍꯌꯤꯡ ꯇꯣꯡꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯋꯥꯍꯟꯕꯇꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯁꯟꯗꯣꯔꯛꯂꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯃꯀꯣꯅꯒꯤ ꯑꯃꯣꯠꯄꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯃꯀꯣꯟꯗꯒꯤ ꯂꯥꯞꯂꯥ ꯀꯣꯝ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯐꯨꯝꯕꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯀꯝꯄꯣꯖ ꯍꯥꯔ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯅꯤ꯫

꯱꯳) ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯌꯦꯟ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯈꯔꯗꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯂꯨꯃꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯄꯤꯊꯛꯄꯥ ꯊꯦꯡꯅꯖꯩ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯐꯕꯥ ꯑꯃꯅꯤ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯌꯦꯟ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯜꯂꯀꯄꯗꯗꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯂꯨꯝꯕꯗꯥ ꯃꯩ ꯆꯉꯂꯀꯄꯅꯤꯅꯥ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕꯥ ꯈꯔꯆ ꯑꯃꯥ ꯌꯥꯎꯁꯤꯜꯂꯀꯏ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯂꯤꯇꯔ ꯱꯰꯰꯰ꯗꯥ ꯕ꯭ꯂꯤꯆꯤꯡ ꯄꯥꯎꯗꯔ ꯒ꯭ꯔꯥꯝ ꯸ ꯍꯥꯞꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯑꯐꯕꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯁꯦꯝꯕꯤꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫

꯱꯴) ꯃꯀꯣꯅꯒꯤ ꯑꯀꯣꯏꯕꯗꯥ ꯅꯥꯄꯤꯁꯤꯡ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯍꯧꯍꯟꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯎ-ꯋꯥꯁꯨ ꯊꯥꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯀꯣꯅꯒꯤ ꯑꯀꯣꯏꯕꯗꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯇꯨꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯒꯗꯕꯥ ꯀꯣꯃꯀꯨꯠ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯇꯤꯜꯅꯥ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯀꯣꯛꯐꯝ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯕꯥ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯃꯆꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯣꯏ꯫ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯊꯝꯅꯕꯥ ꯑꯀꯣꯏꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯨ ꯂꯨꯅꯥ ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯒꯗꯕꯅꯤ꯫

ꯂꯨ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯌꯦꯟ ꯕ꯭ꯔꯣꯏꯂꯔ ꯂꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯁꯤꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯑꯗꯨꯛꯀꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯅꯦꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯁꯦꯟꯗꯣꯡ ꯂꯩꯅꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯇꯨꯡ ꯀꯣꯏꯅꯥ ꯂꯣꯏꯗꯨꯅꯥ ꯏꯁꯥ-ꯏꯁꯥꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯄꯤꯖꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯁꯤꯗꯒꯤ ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯉꯥꯛꯂꯧ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ꯫ ●

-ꯗꯥ. ꯁꯔꯥꯡꯊꯦꯝ ꯖꯦꯁꯃꯥꯔꯥꯅꯤ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১) **‘‘অপাইবা লৈচিল’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
২) **‘‘ইরৈবাক্কীদমক শিবা ঙমদে**
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমই;
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমদে
ইরৈবাক্কীদমক হূবা ঙমই।’’
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?
৩) **‘‘লৈশাবী মচা অমগী ডায়রী’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবা অসি কনানো?
৪) **‘‘অদুঙৈগী নীংতম্বদু’’** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৫) **‘‘নুংশিতোম্বী’’**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।